
# গ্রীনহাওস গ্যাস - শা ষণগা লৈনরিবা মরী

সরাংথেম জেসমারানি

লমদম অমগী অইং-অশা, নোংজু-নুংশা অমদি নুংশিৎকী ফীভম্না লৈবাক লৈহাও, মনা-মশিংগী পোত্থোক্তা অমদি শা-ঙাগী পোত্থোক্তা অহোংবা কয়া পুরকই। গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসি মালেম (পৃথিবী) গী অশাবা হেনগৎলকপবুনি। মালেম্না নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক লুম্না থল্লি। মসিদসু নত্তনা অইং-অশা কায়দনা থম্নবা মালেম্নসু ইনর্জি খরা পুথোকপা দরকার লৈ। মালংদা য়াওরিবা গ্যাসনা মালেমদা কোয়শিন্দুনা সোলর রেদিএসন চৎহন্দনা ফাজিনবা ঙমহল্লি হায়রিবা গ্যাস অসিবু গ্রীনহাওস গ্যাস হায়না খঙনৈ। মসি য়ামখৎলক্লগদি মালেমদা হেন্না শাগৎলকপগী মচাক অমা ওইরি। হায়রিবা গ্রীনহাওস গ্যাস (কার্বোন-দাইওক্সাইদ, মিথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ঈশিং মনিল, ক্লোরোফ্লুরোকার্বোন) অসি খূৎশেমগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা শাগোন্নরকপসু য়াই। গ্রীনহাওস গ্যাসতা য়াওরিবা ঈশিংগী মনিলসি শাগোন্নরকপনিনা মালেমগী শাবগী চাংসি খরমখৈদি শেন্নরগা থম্বা ঙম্মী। গ্রীনহাওস গ্যাস য়াওদ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক নেমখিদুনা মীওইবা অমদি জীব পানবা খুদিংমক হিংবা ঙমদে অদুগা করিগুম্বদা গ্রীনহাওস গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈখ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংখিদুনা থক-খা ওন্নবগুম অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং হোংলকপা কয়া অমা মায়োক্লগদৌরি।




অইং-অশাগী খল কায়রকপনা ষণগী পোত্থোক চাথোক্তা মরি থোক্লা অকায়বা পীরি। মখোয় অদুদি ঃ-

ক) শা-ষণগী চানবা মচিঞ্জাক ফংনবা অমদি মমলদা অহোংবা লৈরকপা।

খ) শা-ষণনা চানবা অফবা মখলগী শজিক থারিবা অমদি লৌবুক-লম্ফাংদা হৌরিবা শজিক খুদিংমক্কী পোত্থোক অমদি শজিক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিদা অহোংবা কয়া লৈরকই।

গ) অইং-অশাগী খল কায়রকপনা শা-ষণদা লায়না তীলনা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাংই।

ঘ) কা হেন্না অইং-অশাগী খল কায়রকপদা শা-ষণশিংগী শারেপ ফাননবা হোৎনবদা, চাগোকপদা অমদি হকচাং ফীভম ফগৎনবা হোৎনবদা অহোংবা কয়া লৈহল্লি।

গ্রিনহাওস গ্যাসকা শা-ষণগা লৈনরিবা মরী :-

ক) শা-ষণদা পীজরিবা শজিকশিং থাবদা হার ময়াম অমা চঙই । হায়রিবা হারসি শেম্বদা ফোসিল ফিউয়েল কয়া অমা চঙই। হায়রিবা ফোসিল ফিউয়েলশিং শীজিন্নবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা পুথোরকই। অসুম্না চাংচত্তা চহী অমদা মিলিয়ন টোন ৪০ গী কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকই।

খ) শা-ষণনা চানবা শজিক থানবা অমদি মখোয়না লৈনবা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মৈ থাবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না পুথোকই।

গ) শা-ষণনা চাশিল্লিবা মচিঞ্জাকশিংসি মথং-মনাও নাইনা তুম্নবা হোৎনবদা মাইক্রোবিএল ফর্মেনটেসন তৌদুনা মিথেন-গ্যাস পুথোকই । হায়রিবা মিথেন গ্যাস অসি শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়না তম্নবা হোৎনরিবা প্রোসেস অদুগী মতুং ইল্লি। শা-ষণদা চখাউ মরি পানবা (ষণ, ইরোই, হামেং, য়াউ অসিনচিংবা) গা পান্দবগা মিথেন গ্যাস পুথোকপগী চাংদম্নবদা চখাউ মরি পানবদনা হেল্লি। চখাউ মরি পানবা শাশিংদি অয়াম্বনা শজিক্লা নম্না চাই। মফোনগী শরুকসু চাই। অদুবু নোংমদা ষণবী অমনা য়ামদ্রবদা কেজি ৪০গী শজিক্তি চাবা ঙম্মী। মখোয়না চাশিনখ্রবা মতুংদা অমুক ঙাইহাক পোত্থারগা থকলোমদা হাইদোরকপা মতমদসু মিথেন গ্যাস অসি পুথোরকই। শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিসু মিথেন গ্যাস পুথোকপগী মখা পোল্লি। ক্বালিটি হন্থবা মচিঞ্জাক্তা মিথেন গ্যাস পুথোকপা হন্থহল্লি অদুগা ক্বান্টিটি য়াম্না মচিঞ্জাক পীজরগদি মিথেন গ্যাস পুথোকপগী চাং ৱাংই।

খ) শা-ষণশিংগী মথী ময়ুংশিংসি নুংশিৎ অমসুং ওক্সিজেন য়াওদনা পুমথহন্নবা হোৎনবদা মিথেন গ্যাস পুথোকই। মিথেন গ্যাস পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা বেক্টরিয়াসি মথী ময়ুংশিংগী টেম্পরেচর অমদি মোইচরগী মখা পোল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক অমদি মখোয়গী ডাইজেষ্টিব সিষ্টেমগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।

ঙ) শা-ষণগী মচিঞ্জাক অমদি অতোপ্পদগী অকংবা কয়া লেমহৌবনা নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হেনগৎহল্লি অমদি মথী ময়ুং নিংথিনা মেনেজ তৌদ্রগসু নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হন্থহল্লি।

মালেম অপূম্বগী ওইনা কাবোন দাইওক্সাইদ পুথোকপদা শা-ষণনা চাদা ৯ পুথোকই। মিথেন গ্যাসনা চাদা ৩৫-৪০ পুথোকই অদুগা নাইত্রস ওক্সাইদনা চাদা ৬৫ গী চাংদা পুথোকই।

গ্রিন হাওস গ্যাস পুথোকপগী চাং করম্না হন্থহনগনি ঃ

ক) শা-ষণনা চারিবা শজিক থাবা মতমদা শীজিন্নরিবা হারশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নদনবা হোৎনবা।

খ) য়ারিবমখৈ মফোনগী শরুক্লা নম্না পীজবগা লোয়ননা লোকেলদা ফংলিবা শজিক ময়াম অমা পীজনবা হোৎনবা।

গ) ফোসিল ফিউয়েল চাং হন্থনা শীজিন্নবা।

ঘ) শা-ষণশিংসি ষনজাবুংদা থাদোক্তুনা শজিক চাহনবা।

ঙ) মথী ময়ুংশিং লমহাংদা চাইথোক্লবনিনা মিথেন গ্যাস পুথোকপগী চাং হন্থহল্লি।

চ) করিগুম্বা মতমদসু লৈবাক্তগী ডি-নাইত্রেফিকেসন তৌদুনা নাইত্রস ওক্সাইদ পুথোকই। শা-ষণনা ষনজাবুংদা শজিক চাবা মতমদা মথী ময়ুংশিং ফাইদোক্লিবশিং অসি ঈশিংনা নীংথিনা চাইথোক্লগদি নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং হন্থহল্লি।

ঐখোয়না গ্রীনহাওস গ্যাস চাং হন্থনবা অমদি তুং কোয়না মতম শাংনা হিংনবা কাঙলোন চুম্না শা-ষণ লোইনবা হোৎনসি। ●

# অফবা মখলগী ঙা মচা মরাং কায়না পুথোক্তুনা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎনবা হোৎনমিন্নরসি

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

ঙা য়োকপগী থৌওংশিংগী মনুংদা ঙা মহা য়োকপগী থৌওং অসি শেন্দোং য়াম্না লৈবা থৌওং অমনি। মসিগীসু মথক্তা ঙা মহা য়োকপগী থৌওং অসি ফজনা পায়খৎনদবা মরম্না ঙা মচা ফংনদবগী খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি। মরম অদুনা লৌমীশিংনা ঙা মহা য়োকপগী থৌওং অসি তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা থৌওং অমনি।

ঙা মহাশিং হায়বদি স্পোননা মরুমদগী ওল্লবা মতুং নুমিৎ হুমনি শুবদগী মচিঞ্জাক চাবা হৌরকই। মরম অসিনা হিংনবা অমসুং চাওখৎলক্লবা মচিঞ্জাক মরাং কায়না লৈবা চুনবা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম তঙাইফদে। ঙা মহাশিংনা নিংথিনা শেম শারবা পুখ্রিদা হায়বদি নর্সরি পোন্দা চয়োল অনীমুক নিংথিনা পীজ-পীথক্তুনা ফ্রাই (মিলিমিটর ২৫ দগী ৩০ শাংবা) ওইনা চাউখৎহল্লি।

ঙা মহা য়োক্কদৌরিবা পুখ্রিগী পাক চাউবা চাউরাক্লা স্কার মিটর ২০০-৫০০ অমসুং অরুবনা মিটর ১ দগী ১.৫ মুক ওইগনি। চহী চুপ্পা ঈশিং লৈতবা পুখ্রি ওইরবদি অমুক্কা হেন্না ফৈ। মরমদি অসিগুম্বা পুখ্রিগী লৈখাদু ঈশিং লৈতবা মতমদা নুংশা মঙাল ফংবনা লৈবাক লৈহাও লৈহল্লি অমসুং পামদবা তীল কাং লৈগন্দে। নোংজু থাগী মাঙওইননা ঙা মহা য়োক্কদৌরিবা পুখ্রিশিং নিংথিনা শেম শাগনি।

নাপী হৌদবা পুখ্রিদা চাউখৎলক্লিবা ঙা মহাশিংনা মনিং তম্না অয়েৎপা য়াওদনা লেং ওৎপা ঙম্মী লোয়ননা মখোয়গী মহৌশাগী মচিঞ্জাক পুথোকপদসু মতেং পাঙই। ঙা মহা য়োকপা পুখ্রিশিংদি য়াম্না পীকপা অমসুং থেনবা মরম্না পাঙ্গলনা ইরায় লায়না নাপী পেংবা য়াই।

ঙা চাবা ঙাশিংনা ঙা মহাশিংবু চাথোকপদা নত্তনা লৈনবা মফম, শ্বর হোন্নবা ওক্সিজেন অমসুং মচিঞ্জাক্কীদমক মুন্নরকই। মরম অসিনা ঙামু, ঙাক্রা, ঙাচিক, ঙাশেপ অমসুং পোরোমনচিংবা ঙা চাবা ঙাশিং লোয়ননা পামদবা ঙাশিং খুদম ওইনা মুকাঙা, ঙাখা অমসুং ঙাশাংনচিংবা ঙা মচা থাদদ্রিঁঙৈদা পুখ্রিদগী মরু ফংনা মাঙহনবা তঙাইফদে। অকুংবা ঈল অমনা হন্না হন্না পুখ্রিদা খোন্দুনা পামদবা অমসুং ঙা চাবা ঙাশিং লৌথোক্লবগী অরাইবা পাম্বৈনি। তৌইগুম্বসুং অরুবা ঈশিংদদি ঙাশিং নাম্থোকখিগনি। অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা পুখ্রিগী ঈশিং কংনা চিথোক্কনি। অদুবু মসিসু ঈশিং অমুক হন্না চিংশিনবা য়াবা অপীকপা পুখ্রিশিংখক্তদা য়াগনি। মরম অসিনা পুখ্রিদা লৈরম্বা পামদবা ঙাশিং মরু ফংনা মুথৎনবা পাম্বৈদি হু চেনবা হীদাক শীজিন্নবনি। মসি শেল ইচং চঙদনা পুখ্রিগী ঈশিং ঈমাইনা নেমলিঁঙৈদা তৌবা য়াই। ব্লিচিং পাউদর কিলো ২৫০ দগী ৩০০ ফাওবা পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা শীজিন্নদুনা পুং ৩ দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা ঙাশিং হাৎপা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঈশিং অদু নুমিৎ ৭-৮ নিদি হীদাক্কী ময়াক চেনগনি। লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা অমসুং ঈশিংগী অশিন-অয়াক চুমথোক্লবগীদমক শুনু শীজিন্নগনি। পামদবা ঙাশিং মরু ফংনা মাঙহনখ্রবা মতুং চয়োল অনীমুক লৈরগা পরিদা শুনু কিলো ৭৫ গী চাংদা অহানবগী ওইনা চাইথোকপীগনি অমদি থা খুদিংগী কিলো ২৫ গী চাংদা চাইথোকপীগনি।



পুখ্রিগী লৈবাক লৈহাও চেলহন্দুনা ঈশিংদা ঙাগী মহৌশাগী মচিঞ্জাক মরাং কায়না ফংহন্নবগীদমক হার চাইগনি। ঙা মহা থাদগদবা পুখ্রিদি ঙা থাদগদবা নুমিৎ ১০ দগী ১৫ রোম ৱাৎলিঁঙৈদা ষষ্থি কিলো ৩৭৫০ (চাওরাক্লা) থাদদুনা লৈহাও লৈহনগনি।

হার নিংথিনা চাইখ্রবা পুখ্রিশিংদা ঈশিংদা হৈনবা তীল-কাং কয়া মরাং কায়না মরু ওইনা নোংজু থাদা থেংনগনি। তীল-কাংশিং অসিনা ঙা মচাশিংগী ঈ চুপই নৎত্রগা চাথোকই লোয়ননা মচিঞ্জাক মুন্নরকই। মরম অসিনা ঙা মচা থাদদ্রিঁঙৈদা তীল কাংশিং অসি মরু ফংনা মাঙহনখিবা তঙাইফদে। অকুংবা ঈলনা হন্না হন্না শোন্দুনসু তীল কাং পূম্নমক ফাদোকপা ঙমদে। মরম অদুনা সাপোন অমসুং থাউ য়ানশিন্নদুনা শেম্বা মহী ঈশিংগী ঈমায়দা চাইথোক্তুনা ঈমায়দা শ্বর হোন্নবা ফাওগৎলকপা তীল কাংশিং হাৎপা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসিগীদমক্তদি অহোংবা মখলগী ফিশু সাপোন (পরিদা কিলো ১৮) নৎত্রগা পাউদর (পরিদা কিলো ২ দগী ৩ ফাওবা) অমসুং থাউ (পরিদা কিলো ৫৬) ঙহাক মৈথক্তা শাহল্লগা য়ানশিন্নদুনা শেম্বা য়াই। অদুগা ঙা মচা থাদগদবা পুং ১২ দগী ২৪ ফাওবা ৱাৎলিঁঙৈদা নুংশিৎ শিৎতবা মতমদা চাইথোকপীগনি। কেরোসিন থাউ পরিদা লিটর ৮০ দগী ১০০ ফাওবা ঈশিংগী ঈমায়দা চাইথোক্তুনা তীল কাং হাৎপসু য়াই।

ঙা মহা থাদগদৌরিবা পুখ্রিদা হীদাক শীজিন্নখিবনিনা ঈশিংদু হীদাক্কী ময়াক চেল্লিবরা হায়বা ঙা থাদদ্রিঁঙৈদা হান্না খঙদোকপা তঙাইফদে। মসিগীদমক্তদি পুখ্রিদুদা ঈল হাপ্পা অমদা ঙা মহা খরা থাদোক্তুনা পুং ২৪ থমদুনা য়েংবা য়াই। মসিগী মতুংদদি পরি অমদা ৩০,০০০০০ দগী ৫০,০০০০০ ফাওবগী চাংদা ঙা মহাশিং অয়ূক ঙল্লিঁঙৈ নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদা পুখ্রিদা থাদগনি।

নিংথিনা হার চাইদুনসু পুখ্রিদা পুথোকচবা মহৌশাগী ঙাগী মচিঞ্জাক খক্তনা কোন্নদবনা অৱাৎপা মেনখৎপা তঙাইফদবনা চাং চানা য়ানশিন্নরবা থাউথি অমসুং চেংকুপকী পাউদর ঈশিং ঈমায়দা চাইথোক্তুনা চাওখৎলক্লিবা ঙা মচাশিংগী অৱাৎপা মচিঞ্জাক মেনখৎপীগনি। ঙা মহা থাদবা নুমিৎতগী মঙানি শুবা ফাওবদি অপূনবা য়োকপা ঙা মহাশিংগী অরুম্বগী চাদা মরি নোংমদা পীজবীগনি। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙা মহা লাক্ষ অমগী নোংমগী পীজবীগদবা মচিঞ্জাক অসি ০.৫৬ কিলো ওইগদবনি। তরুকনি শুবদগী তরানিথোইনি শুবা নুমিৎ ফাওবগী নোংমদা পীজবীগদবা মচিঞ্জাক্কী চাংদি অপূনবা য়োকখিবা ঙা মহাশিংগী অরুম্বগী চাদা নিপান ওইগনি হায়বদি ১.১২ কিলো ওইগনি। তরাহুমদোইনি শুবা নুমিৎতদি মচিঞ্জাক পীজররোই অমদি তরামরিনি শুবা নুমিৎতা ফাদোকপীগনি।

চয়োল অনীমুক শুরকপদা ঙা মহাশিংদু মিলিমিটর ২৫ দগী ৩০ শাংবা ঙা মচা (ফ্রাই) ওইরক্কনি। মখোয়শিং অসি অকুংবা ঈলনা খোন্দুনা অয়ূক ঙল্লিঁঙৈ নোংথি নোংমংদবা নুমিৎতা ফাবীগনি অমদি ঙা মচাশিং অদু নীংথিনা শেম শারবা রিয়ারিং পোন্দা য়োকপীদুনা মিলিমিটর ৪০ দগী ১০০ ফাওবা শাংবা শম্না হায়রবদা খূৎশামুক চাউবা (ফিংগরলিং) ফাওবা চাউনবা য়োকপীগনি।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থৌওংশিং অসি শীজিন্নদুনা অফবা মখলগী ঙা মচা মরাং কায়না পুথোক্তুনা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎনবা হোৎনমিন্নরসি। ●

# ফৌথোক হেন্না পুথোক্লবগীদমক অরিংবা লৌফমদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং

ডো. ৱাইখোম জিতেন

ফৌগী অহেনবা পোৎথোক পুথোক্লবা হোৎনবা মতমদা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়া অমা নৈনদবা য়াদে। অসিগুম্বা মরমশিং অসিগী মনুংদা লৌফম শেম-শাবদগী হৌরগা লৌ লীংথোকপা অমদি লীংলবা মতুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংনা ফৌগী অহেনবা পোৎথোক পুথোকপদা অচৌবা মতেং পাংই। অফবা তিঞ্জং কাইজংদবা মরূদগী শেম্বা মশা মউ ফবা লৌহোনশিং অদু কাঙলোন চুম্না লীংথোকপীদ্রবদি ঐখোয়না পাল্লিবা পান্দম অদু ফংবা ঙল্লোই।

লৌফম শেম শাবা :- লৌ লীংগদৌরিবা মফম অদু হান্ননা লৌওন মরিদগী তাদনা খোই-খ্রবা লৌফম ওইরবদি, নৌনা লৌওন অনী অমসুং উকায় অমা হাপ্পীরগা লৌ লীংবা অদুম য়ারে। লৌফম অদু হান্নদগী ঈশিং তুংবা মফম নৎত্রবদি লৌ লীংগদবা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা ঈশিং থাজিনবীগদবনি। অসুম্না লৌ লীংগদৌরিবা মফম অদুগী অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঁঙৈগী মমাঙদা দসাল দোজ হায়রগা খঙনবা পাম্বী থাদ্রিঁঙৈদা চাইগদবা হারশিং হাপ্পীহৌগনি। ষণথি-ষণয়ুং/কম্পোষ্ট অসি চহী ৪/৫ খুদিংগী লৌ পরি অমদা কেজি লিশীং ১০,০০০ চাউরাক্লা ত্রেক্টরগী ত্রেলর মপোৎ ৫গুম্বা লৌ থাগদবা থামুক্কী মমাঙদা হাপ্পীদুনা খোইজিনবীগদবনি। লীংবা য়ারবা লৌফম অদুগী ফৈদোমশিংগী কাচিন্দা তাওশিন্দুনা লৈরিবা অমুবা মচুগী ফৎত-হৌদি মরূম-মরূমশিং অদু নিংথিনা কোৎথোকপীদুনা বোরা অমদা হাপ্পীরগা মফম চাবা অমদা কোম তৌদুনা ফুমজিনবীগদবনি। ফৌ পাম্বীদা য়াম্না তোয়না নাগনবা লায়না ফৌখোক মুবী হায়বা লায়না অসিগী হৌরকফম অসিগুম্না অমুবা মরূম মরূমশিং অসিননি। লায়না অসিনা মরম ওইরগা ফৌ পাম্বীগী অরিবা মসাশিং অদু মতম চাদনা হঙ্গাম মপাল মচু ওইশিল্লক্কনি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মথক্কী থৌরম অসি পায়খৎপা তঙাইফদে।

লৌ লীংথোক্লবা হোৎনবা :- লৌ লীংথোক্লবগীদমক নুমিৎ ১৪-২৫নি শুরবা মশা ফবা লৌহোনশিং লীংথোকপীগদবনি। লৌ লীংগদৌরিবা মফম অদু য়ারবদি ঈশিং পানা থমগদৌবনি। করিগুম্বা ঈশিং লুনা থল্লবদি ফৌ পাম্বীশিং অদু তাওখৎলক্তনবা লুনা নমশিনবীগদবনি। মসিনা মরম ওইদুনা ফৌ পাম্বীশিং অদু খূৎলোনবদা কুইনা চঙই অমদি ফৌ মচা পোকপগী চাং য়াম্না নেমই। মরম অসিনা লৌবুক্তা ঈশিং পানা লৈরবদি ফৌ পাম্বীনা থুনা খূৎলোন্নবা অমদি মচা হেন্না পোক্লবা ফৌশিং অদু লুনা নমশিনবীরোইদবনি। লৌ লীংথোক্লবা হোৎনবা মতমদা ফৌ পাম্বীশিংগী অকুং অরন অসি লৌহোনগী মপুন্সিগী মতুং ইল্লি। লৌহোন অদু য়াম্না লীরবা হায়বদি নুমিৎ ২৫নিদগী হেল্লবদি হেন্না কুংশিননা লীংবীগদবনি। অদুগা ফৌ পাম্বীগী মপুন্সি শাংবা অমসুং তেনবগী মতুং ইন্না, লোয়ননা লৌফম অদুগী লৈহাও লৈবা লৈতবগী মতুং ইন্নসু কুংবা লনবা হায়বসি লেপ্পীগদবনি।

লৈহাও লৈবা অতেনবা মতমগী ফৌ পাম্বীশিংগীদমক পাম্বীগা পাম্বীগা, পরেংগা পরেংগা ১৫ x ১৫ সেন্টিমিটর লাপ্নহনগদবনি। অদুগা ময়ায় ওইবা মতমগী ফৌশিংগীদমক ১৫ x ২০ সেন্টিমিটর লাপনহনগদবনি। অদুগা মতম চানা লীংথোকপা লৌহোনগীদমক ওইরবদি ফৌ পাম্বী ১/২ থাবীগদবনি, অদুগা লৌহোন অদু লীশিনখ্রবদি পাম্বী ৩-৪ ফাওবা শোয়দনা থাবীগদবনি। লৌ লীংনবগীদমক মিটর ৩ শাংবা চৈ অনী শীজিন্নগদবনি। অসিগুম্বা চৈ অদুদা সেন্টিমিটর ২০/১৫ লাপ্পবা মফমদা দাগ-দাগ হকপিগদবনি। অদুগা লৌ লীংবদা শীজিন্নগদবা থৌরি অদু সেন্টিমিটর ১৫/১৫ খুদিংগী পোলিথিনগুম্বা অমনা পূনশিনবীগনি। অসুম্না তৌদুনা পোলিথিন পুল্লিবা থৌরি মপা মপা অদুদা ফৌ লীংবীগদবনি। অদুগা পরেং হোংবিবনা নাপচৈ অদুগী সেন্টিমিটর ১৫/২০দা দাগ হল্লিবা মপা মপা অদুদা হোংবিগদবনি। মিটর অহুম শাংবা নাপচৈ অদু দাগ হল্লিবা মপা অমগী মথংদা অমা মথং-মথং হোংবিরল্লবা মতুংদা হেক লোইবগা সেন্টিমিটর ৩০ নৎত্রগা সেন্টিমিটর ৪৫ লাউবা খোঙ লম্বী অমা হাপ্পীগদবনি। খোঙ লম্বীগী অরাউবা অসি ফৌ পাম্বীনা ৱাংবা অমসুং নেম্বগা মরী লৈনগনি। করিগুম্বা অৱাংবা পাম্বী ওইরবদি সেন্টিমিটর ৪৫ লাউহনগনি অদুগা অনেম্বা পাম্বী ওইরবদি সেন্টিমিটর ৩০ ওইহনবীগদবনি।

হার হাপ্পা : ফৌ পাম্বীগীদমক হার কয়া য়াম্না হাপকদগে হায়বসি লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাওগী ফীভম, ঐখোয়না পান্দম থল্লিবা চাথোক্কী চাং অমদি পাম্বী অদুগী হার শীজিন্নবা ঙম্বা ঙমদবগী মখা য়াম্না পোল্লি। অদুবু চাংচত্তা মণিপুরগী লৌফম অয়াম্বদা শীজিন্নবা য়াবা হারগী চাং অসি য়ুরিয়া ৩৫-৪০ কেজি, ৬৫-৭৫ কেজি সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমসুং ১৩-১৫ কেজি ম্যুরেট ওফ পোটাশ শীজিন্নবা য়াই। অসিগুম্বা হারশিং অসিদগী য়ুরিয়া তঙ্খাই অমা, সিঙ্গল সুপর ফোসফেটকী অপূনবা শরুক অমদি ম্যুরেট ওফ পোটাশকী শরুক অহুম থোকপগী অনী অরোইবা লৌওন খোইদ্রিঁঙৈ মমাঙদা চাইবীদুনা খোইজিনবদা য়াওশিনবীগদবনি। লেমহৌরিবা য়ুরিয়া অদু শরুক অনী থোক্লগা শরুক অমনা লীংলবা মতুং নুমিৎ ২৫দগী ৩০নিশুবদা চাইবিগনি। অদুগা লেমহৌরিবা শরুক অদুনা ফৌ লীংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৫৫-৬০নি শুবদা ম্যুরেট ওফ পোটাশকী লেমহৌবা শরুক অদুগা চাইবীগনি।

নাপীদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :- পামফেল লৌফমদগীদি অরিংবা লৌফম্না নাপীগী অৱাবদগী খরমৈ-খদি ফৈ। মরম অদুনা লৌ লীংলবা মতুং নুমিৎ ২৫-৩০নি শুবদা খূৎনা অমুক্তং পেংথোকপীরগসু নাপীদগী ঙাকথোকপা য়াই। করিগুম্বা খুলংগী খুদোংচাদবা লৈরবদি নাপী হৌদ্রিঁঙৈদা শীজিন্নগদবা নাপী হীদাক Pryrazosulfuron Ethyl 10% WP, Petilachlor 37% EW শীজিন্নবা য়াই। অদুগা নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নগদবা নাপী হীদাক Metasulfuron methyl 10% WP শীজিন্নবা য়াই। নাপী হৌদ্রিঁঙৈদা শীজিন্নগদবা নাপী হীদাকশিং অসি ফৌ লীংলবা মতুং নুমৎ হুমনি ফাওবগী মনুংদা শীজিন্নবীগনি। অদুগা নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নগদবা হীদাক্কীদমক ওইনা নুমিৎ ২৫-৩৫ ফাওবগী মনুংদা শীজিন্নবীগনি।

অসুম্না অহেনবা পোত্থোক পুথোক্লবগীদমক মথক্কী কাঙলোনশিং অসি পায়খৎপীদুনা পোত্থোক চাথোক য়াম্না পুথোকপা লৌমী অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।